**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-01-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** কেন্দ্রগী হান্নগী হোম সেক্রেটরি ওইরম্বা আজয় কুমার ভল্লা ঙসি মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মহাক মনিপুরগী ১৭ শুবা রাজ্যপাল ওইনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমারনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখিবনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মহাকা হায়-হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমসুং ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামদা মহাকা লাল্লে হায়বনি। খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংদা লাল্লে হায়জবগী মথৌ তাদে। হন্দক ইরাং অসিগা মরী লৈননা মহাকা অৱা-অনা তারিবা মীওইশিংগী ওইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু বিরোধি দলশিংনা লান্না শন্দোক্তুনা রাজনিতি তৌনবা হোৎনবা অদুবুসু শ্রী বিরেননা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনমীন্নবগী মহুৎতা বিরোধি দলনা রাজনিতি তৌনবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন অসি য়ামা লাইবক থিবনি। ঙসি মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা আজয় কুমার ভাল্লা অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং, মরুওইনা মনিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপা খঙবা মীশক অমনি হায়নসু ফোংদোকখি। থৌরমদুদা বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এলশিং, সি.ভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। ৱাশক লৌবা লোয়রবা মতুংদা রাজ্যপালদা মনিপুর রাইফলস

অমসুং আই.আর.বিগী জৱানশিংনা রাস্ত্রিয়া সেলুট অমদি গার্ড ওফ ওর্নর পীখি। শ্রী ভাল্লানা ঙসি নুংথিলদগী মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা থবক পায়বা হৌখ্রে।

**জিওসি (এল)ঃ** ভারত লান্মীগী থ্রি কোরগী জি.ও.সি. ওইরিবা লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ পেন্দ্ধরকরনা রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা লান্মীনা মনিপুরদা হৌজিক লৌখৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

নৌনা রাজ্য অসিগী রাজ্যপাল ওইনা ঙসিদগী থবক পুবা হৌখিবা শ্রী ভাল্লাদা জি.ও.সি. অসিনা লুচিংদুনা লান্মীগী মকোক থোংবশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম মরুওইনা ঙমখৈ পরিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবগী মরিক চুম্বা ৱাফমসু রাজ্যপালদা থমখি।

তুংদা, রাজ্যপালনা মহাক্কী লোয়নবী অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা ইম্ফালগী শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দিরদা লাই খুরুমখি অমদি আরতিদসু শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় মশেল অমনা অমদা মরাল থংজিন্দুনা লৈনবগী ফিভমদা লৈরিবা অসি তোক্কুনা পুন্না করি তৌসিগে হায়না খন্নরগা লমদম অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনমীন্নসি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা অমদি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ওক্রম ইবোবী সিংহনা আপিল তৌরি।

কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোবীনা হায়-য়ুমলোন্নরিবা ম্যান্মারদা মিলিটরি সাসন লাকপদগী মীওই কয়া মনিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লক্লে হায়না কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা রিপোর্ট তৌখ্রবা লৈখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়- কংগ্রেসনা সরকার পায়রিঙৈ মতম ইং ২০০৩ গী মতমদগী হৌদুনা ঙমখৈ শম্বল খানবা কেন্দ্রদা তকশিনদুনা লাকখিবনি

অমসুং সরকার অসিগী মতম ২০১১-১২ দা ঙমখৈ পরিং শন্বল কিলোমিটর ৪.২ খাবা লোয়খ্রবনি। অদুবু, হৌজিক ঙমখৈ পরিং অসিদা কিলোমিটর ১০ রোম শন্বল খাবা ঙমখ্রে।

**রঞ্জন (এল)ঃ** আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন হৌদোকখিবা চহি অহুম শুখ্রবসু মীয়ামনা মোবাইল এপ্লিকেসন অসি খঙবগী চাং ৱাৎপনা রাজ্য অসিদা এপ্লিকেসন অসি শিজিন্নবগী চাং চাদা ৩০ তমক ওইরি হায়না হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন মনিপুরনা শিনদুনা চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়-ঙসিগী দিজিটেল ৱার্ল্ড অসিদা মালেমগী ওইনা য়েংনবদা ভারতনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। মসিগী মনুং চন্না আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন অসিসু অমনি। অমদি মসিনা অনা লায়েংগী লমদা মরুওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইদুনা মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা কান্নবা কয়া পীরি।

থৌরমদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস দিরেক্তর ডাঃ চন্দ্রো গোনমৈ, আয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্তর ডাঃ এম. দিনেশ সিংহ শরুক য়াখি।

**নৈলিট (এল) ঃ** ইম্ফালগী নৈলিট য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা নৈলিট কেম্পস ১১ বু কন্সটিট্যুয়েন্ট কেম্পস অমসুং পঞ্জাবকী রোপারদা লৈবা নৈলিট কেম্পসপুনা মেন কেম্পস ওইনা দিম য়ুনিভরসিতিগী থাক্তা ওনখৎপগী ওফিসিএল ওইবা থৌরম অমা ঙসি গুৱাহাতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি লোয়ননা ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মন্ত্রি ওইরিবা-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রিবা কেম্পসশিং অসি দিম য়ুনিভরসিতি থাক্তা ওনখৎপগী মায়খুম

হাংদোকখি। মদুদা, অসামগী রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচারি অমদি মুখ্য মন্ত্রি-হেমন্ত বিশ্ব শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা কেম্পশিং অসি সরকারনা দিম য়ুনিভরসিতিগী থাক্তা ওনখৎলে হায়না মমাং চহিগী সেপ্তেম্বরদা গেজেট থোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু, মরি লৈনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি য়াওনা দিম য়ুনিভরসিতি ওনখৎপগী ওফিসিএল ওইবা থৌরম ঙসি পাঙথোকপনি।

দিম য়ুনিভরসিতিগী থাক্তা লৈবা নৈলিটকী কন্সটিট্যুয়েন্ট কেম্পসশিংগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমদগী আইজোল, অগরতালা, ইম্ফাল, কোহিমা অমসুং ইতানগরগী নৈলিট কেম্পশিং য়াওরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমগী নহারোলশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আই.টিগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা ফিদাশিং কন্দুনা থবক তৌরিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লমদম অসোমগী নহারোলশিংবু হৈথোই শিংথোইবশিং হেন্না য়োকখৎনবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী লমজিংবা ইঞ্জিন অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা খোঙথাং অসিনা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ইম্ফালগী অকম্পাৎতা লৈবা নৈলিট কেম্পসতসু দিম য়ুনিভরসিতি ওনবগী থৌরম অদু ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সাইন্টিষ্ট এফ অমসুং হেদ (প্রোজেক্ট)-এন. নবাচন্দ্র সিংহনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়-নৈলিট ইম্ফালবু দিম য়ুনিভরসিতিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট কেম্পস অমা ওইহল্লকপা অসিনা হৈথোই শিংথোইবা, মতিং লৈবা নহারোল কয়া শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদনা নৈলিট ইম্ফালগী মায়কৈদগী ইগজকিটিব দাইরেক্তর-ডা: য়ুমাম জয়েন্ত শরুক য়াখি।

**গার্ড (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স (দি.এ) অতৈ সরকারগী কর্ম্মচারিগুমা চাদা ৩৯ পীবিয়ু হায়না মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং কম্মিস্নার হোমদা অহবা চেরোল পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুনা হায়-অনৌবা চহি ২০২৫ লাকপগা ইরোইননা কর্ম্মচারিশিংগী দি.এ. অদু চাদা ৭ হেনগৎলগা পুন্না চাদা ৩৯ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। অদুমওইনমক, হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা হৌজিক ফাওবদা দি.এ. অসি চাদা ১৪ ফংদুনা লাক্লি। মরম অদুনা সরকারনা হন্দক রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী দি.এ. চাদা ৭ হেনগৎলগা চাদা ৩৯ পীগদৌরিবা অসিদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংসু য়াওহনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা হায়রি।

**দেসাম (এল)ঃ** দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এল্লাইয়েন্স ওফ মনিপুর (দেসাম) গী ২৩ শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি ইম্ফালদা লৈবা জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থা খুদিংগী ফোংবা চেফোং-লমজিং মৈরা ভোল্যুম ফোরসু ফোংখি।

দেসামগী ২৩ শুবা কুমওন থৌরম জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা দেসামগী ওফিসতসু পাঙথোকখ্রে।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** হৌখিবা চহিগী দিসেম্বর তরেৎতগী হৌদুনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা চথখিবা তাংখুল নুরাবীগী খন্ন-নৈনবা ৱার্কশোপ কম ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরম লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, খরানা যাত্রা হুনখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী অশোক বিহারদা জে.জে. ক্লস্তরসকী দ্বেলরশিংগী ওইনা নৌনা শাবা ফ্লেট লিশিং ১,৭০০ শঙ্গাখি। প্রধান মন্ত্রিনা নৌনা শঙ্গখিবা ফ্লেটশিং অসিদা লৈগদবা বিনিফিসরিশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ঙসি শঙ্গারিবা ফ্লেটশিং অসিগা লোয়ননা দিল্লি দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা ইন-সিতু স্লম রিহেবিলিটেসন প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎলকপা থবকশিং মায় পাকা লোয়শিনবা ঙমলে।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা অবার্ন রি-দিবলপমেন্ট প্রোজেক্টকী মনুং চন্না নাউরোজি নাগরদা ৱার্ল্ড ত্রেদ সেন্টর অমসুং সোরোজিনি নাগরদা জেনরেল পুল রেসিদেন্সিয়েল ইকোমোদেসন (জি.আর.পি.এ) টাইপ টু হেদক্বাটরসসু শঙ্গাখি। ৱার্ল্ড ত্রেদ সেন্টর অসিনা নাউরোজি নাগরদা লৈরম্বা অমনবা শেমজিন্দনা লৈবা ক্বাটর ৬০০ পু অনৌবা ষ্টেট ওফ দা আর্ট কম্মরসিএল টৱারশিংনা মহুৎ শিনখি। মখা তানা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা দুৱারকাদা লুপা কোতি ৩০০ লোম চংনা শাবা সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসনগী ইন্টিগ্রেটেদ ওফিস কমপ্লেক্সসু শঙ্গাখি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা দিল্লি য়ুনিভরসিতিদা লুপা কোতি ৬০০ লোম চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অহুমগী যাত্রা হুনখি। মখা তানা ইষ্ট দিল্লিগী সুরজমাল বিহার, দুৱাকারগী ৱেষ্টর্ন কেম্পস য়াওনা রোসনপুরাগী ভির সভাকর কলেজকীসু যাত্রা হুনখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যুরো সাইন্স অমসুং মেন্টেল হেলথকী লমদা নিমহান্সনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙসি বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা নিমহান্স লিংখৎখিবা চহি ৫০ মপুং ফারকপগী গোল্ডন জ্বল্লিগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতি মুরমুনা হায়-মেন্টেল হেলথ অমসুং ন্যুরো

সাইন্সকী লমদা নিমহান্সনা মালেম পুম্বদা মাংজিল থানা চৎলি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-নিমহান্সগুম্বা ইন্সটিট্যুট কয়ানা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা ৱাখলগী অনাবা লৈরিবা মীওইশিংবু কুপা য়েংশিনবীবা অমসুং মখোয়গী মতিক চাবা লায়েংগী পথাপশিং পীবিবা ঙমলে।

রাস্ত্রপতিনা হায়-নিমহান্সনা হৌদোকখিবা টেলমান্স সার্ভির্সেসনা লৈবাক অসিগী কাচিন কোইয়াদা লৈবা মফমশিংদা মেন্টেল হেলথ কেয়ার সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহনবদসু চাউনা মতেং ওইরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়-স্ত্রোক পেসেন্টশিং লায়েংবা, সুইসাইট তৌবগী চাং হন্থহনবা অমসুং নিশা চাবা মীওইশিং লায়েংবদা নিমহান্সনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ত্রিপুরা ঃ** ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা শিক্ষাগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা সমাজ অসিদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবা হোৎনরি। উদয়পুরদা লৈবা রামেশ ইংলিস মিদিয়ম হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিংখৎখিবগী প্লাতিনম জ্‌বিলি থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অদুগী শিক্ষাগী লম খুদিংমক চাওখৎহন্নবা মহাক্কী সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা মীফমশিং তোইনা পাঙথোক্তুনা অনৌবা শিক্ষাগী থৌশিল থৌরাং চৎনহন্নবা হোৎনরি। রাজ্য অদুদা ওজা ৱাৎপগী সমস্য মায়োকরিবা অসি থেংননবা থবক কয়া লৌখৎলে হায়রদুনা ডাঃ মনিক সাহানা হায়- সরকার অসিনা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহনবতা নত্তনা লাইরিক তাকপীবগী মওং মতৌ ফগৎহন্নবা হোৎনরি। লাইরবা, ত্রাইবেল জাতিশিং, মাইনোরিতিশিংগী অঙাংশিংদা মহৈ মশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবসু সরকার অসিনা কন্না হোৎনরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, নাউরেম ভিক্তরদগী--

**স্পোর্টস (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথুগদবা রাজ্য থাক্কী স্কুল স্পোর্টস মিট ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। রাজ্যগী ইদুকেসন বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস মিট অসি এদুকেসন (এস) কী কন্মিসনার ঐচ. গ্যানপ্রকাশনা হৌদোকখি।

**ভোল্লিবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিং খুনৌ য়ুথ ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা অহানবা রাজ্য থাক্কী জনিয়ার ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.এম.আই. ময়াং ইম্ফালনা ৱাই.টি.এ. হিয়াংলমবু সেট ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাডন্দদা চথুরিবা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.সি.দি.ও-কোংপালনা আর.আর.সি.সি-চুরাচান্দপুরবু রন-১৩৪ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.য়ু-শগোলবন্দনা থাউ-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.সি.সি.সি-লিলোং চজিংনা চেম্প-খাগেমপল্লিবু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** তরুকশুবা এস.ঐচ. মণি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রিপসা নাউরেমথোংনা ভি.ৱাই.পি.এ-খা জিরিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.এস.এফ.এ. তোপ সিফাই অমসুং য়ু.এস.সি. ফয়েং পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।